সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, MAY 31, 2016 PAGE 7

জিমবাব্বেগা শান্নগদৌরিবা ব্রান দেগী সেরিস্তা ইন্দিয়া টিম হেদ কোচ ওইনা লাউথোখ্রবা হান্নগী ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর সঞ্জয় বঙ্গার

ইংলেন্দগী টেষ্ট মেটচকী অহানবা ওইনা রন লিশিং ১০ লৌবা ঙমখ্রবা ইলিষ্টর কুক। চহি ৩১ দা থা ৫ গী শান্নরোই ওইরিবা য়াম্না নহা ওইরিবা সচিন টেন্দুকরনা ইং ২০০৫ তা থল্লমখিবা রন লিশিং ১০ লৌরমখিবা অদুগা মান্ননা লৈবা ঙমখিবনি।

অন্দর ৪৫ কে জি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
টি এফ সি না দি ব্রাই সি মায়থিবা পীখ্রে

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : য়ুঠ দিভলপমেন্ট সেন্টর ক্লব কৈরাও বিত্রা ইম্ফাল ইষ্ট না শীন্দুনা মাইবম লম্পাক কৈরাও বিত্রাদা চখরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ সাইদ অন্দর ৪৫ কে জি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সি গী মেটচতা টি এফ সি লংথবালনা দি ব্রাই সি খন্নরোক গোল ১২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নগদবা গ্রুপ এ গী পি ব্রাই সি বামোন কম্পু অমদি কে য়ু কে এ (এ) লমবিগী চৎথোক – চৎশিন য়াদবনা মরম ওইরগা মেটচ অসি হয়েং নুংথিলগী পুং ১২.৩০ দা শান্নরগনি।

টি এফ সি লংথবাল অমদি বি ব্রাই সি খন্নরোক্লা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টি এফ সি গী গোল ১২ অদু থোইনা ১৬, ২৪, ৪০ অমদি ৫১ শুবা মিনটতা গোল মরি, অমরজিৎনা ১ অমদি ৪ শুবা মিনটতা গোল অনী, জয়চন্দ্রনা ৮ অমদি ২০ শুবা মিনটতা গোল অনী, রোনাল্ডনা ২৭ অমদি ৩১ শুবা মিনটতা গোল অনী অমদি সুরজিৎনা ৪৬ অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা গোল অনী চনখিবনি।

দি ব্রাই সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বোনিনা ২৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টি এফ সি গী থোই অমদি দি ব্রাই সি গী গোল কিপর নরেস্তা রেফরিনা ১৮ অমদি ৪১ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

হয়েংগী নুংথিল পুং ১ গ্রুপ বি গী কে য়ু কে এ (বি) অমদি এ দি এ এফ সি অরাপটিগা শান্নরগনি।

নুংথিল পুং ২.৩০ দা গ্রুপ অসিগী ব্রাই দি সি সি কে বি কৈরাও অমদি ব্রাই দি সি লংদুম শান্নরগনি।

নেসনেল মার্সিয়েল আর্টস গেমস ২০১৬
মণিপুরনা গোল্ড ৭ য়াওনা মেদল ১৪ ফঙলক্লে

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : গুরেগাও জোগেশ্বরি লিন্দ রোদ মুম্বাইদা হৌখিবা থা অসিগী ১৯ দগী ২২ ফাওবা পাংথোকখিবা নেসনেল মার্সিয়েল আর্টস গেমস ২০১৬ দা শরুক য়াখিবা মণিপুরনা গোল্ড ৭ য়াওনা সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ১৪ লৌরক্লে হায়না কিক বোক্সিং এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরী এস সনাতোম্বা মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুরগী গোল্ড মেদল ৭ অদু জুনিয়র বোইজগী চহি ১৬ তগী ১৮ গী কে জি ৫৪ দা এন বিমোচান্দ সিংহ, সব জুনিয়র বোইজগী চহি ১০ দগী ১২ দা দব্লিউ অরবিন্দ্রো সিংহ কে জি ৩২, এ কেন্সিং মৈতৈ কে জি ৪৭, সব–জুনিয়র গার্লসকী চহি ১০ দগী ১২ দা টি রেজিয়া চনু কে জি ৩২, কে প্রিয়াঙ্কা দেবী কে জি ৪২ অমদি এস সুমানবালা দেবী কে জি ৪৭ নি।

সিলভর মেদল অহুম অদুনা জুনিয়র বোইজগী কে জি ৪৮ গীদা এন মিলন সিংহ, সব–জুনিয়র বোইজগী কে জি ৩৭ অমদি ৪২ গীদা টি ঐচ হেনরি মৈতৈ অমদি পি মোরাম্বা মৈতৈ না লৌখিবনি।

অমত্তা ঙাইরবা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা জুনিয়র বোইজগী কে জি ১৬ তগী ১৮ গীদা সি ঐচ অনন্দ শর্ম্মা না লৌখিবনি।

গেমস অদুগী মণিপুর টিমগী কোর্চ অমদি মেনেজরনা এস সনাতোম্বা মৈতৈ অমদি এন রঞ্জিৎ সিংহ না ওইখি।

নেরোকা এফ সি টিম ওকপগী থৌরম পাংথোক্কনি

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শীন্দুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা পাংথোকখিবা আই লিগ সেকেন্দ দিভিজন ফাইনেল রাউন্দ ফাওবা শরুক য়াদুনা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি সঙাকফমগী টিম ওকপগী থৌরম অমা হয়েং ক্লাসিক গ্রান্দে ইপরেলদা পাংথোক্লগনি।

পোইন্ট ১৭ ফঙলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবা নেরোকা এফ সি গী টিম ওকপগী থৌরমদা এম এল এ এন বিরেন সিংহ, এম এল এ আর কে ইমো অমদি নেরোকা এফ সি গী প্রসিদেন্ট অমদি মেনেজিং দাইরেক্টর ডাক্তর থাংজম ধ্বল্লি সিংহ না মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইগনি।

নেরোকা এফ সি না হন্দক্কী সেকেন্দ দিভিজন ফাইনেল রাউন্দদা মেটচ ৫ মায় পাক্লগা মেটচ ২দ্রো ওইরগা পুন্না পোইন্ট ১৭ ফঙখিবনি।

সি আর এ অমদি সোফিয়া ইংলিস স্কুলনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : সি আর এ চারাংপাৎ অমদি সোফিয়া ইংলিস স্কুল থৌবালনা চহি ১৪ অমদি চহি ১৭ মখা নুপীমচাগী ৫৭ শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রতো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়াস স্পোর্টস ওফিসর থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চখরকখিবা ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা চহি ১৪ মখা নুপীমচাগী ফাইনেল মেটচতা সি আর এ চরাংপাৎনা এন জি এস ককচিং গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

চহি ১৭ মখা নুপীমচাগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সোফিয়া ইংলিস থৌবালনা ওইখ্রে।

চহি ১৭ মখা নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা এন আই এস ই এই চরাংপাৎনা এল পি এস ককচিং গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল শান্নরোইশিংগী এৱার্দ কৌরি

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : নেসনেল স্কুল গেমস ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভসিটি, নেসনেল স্কুল স্পোর্টস কম্পিটিসন অমদি ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস কম্পিটিসনদা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোইশিংদা ষ্টেট স্পোর্টস এৱার্দ পীনবগীদমক এপ্লিকেসন ফোর্ম জুন ৩ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা দাইরেক্টোরেট এফ য়ুঠ এফিয়র এন্দ স্পোর্টসকী ওফিস খুমন লম্পাক্তগী লৌরবা য়াগনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্টর ডাঃ হরমিট সিংহ পাহুজনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়রিবা চেম্পিয়সিপ অসিদা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংনা ওরিজিনেল সাটিফিকেটশিং পুরক্লগা ইসেন্টিব ষ্টেট স্পোর্টস এৱার্দ অসিগীদমক এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌগদবনি হায়রি।

মপুং ফানা মেনশিল্লবা ফোর্মগা লোয়ননা সাটিফিকেটশিং ইশানা সহি তৌদুনা জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকদবনি হায়রি। অকুপ্পা মরোল দিপার্টমেন্ট অসিদগী খঙবা য়াগনি।

বোদি বিল্ডিংগী ত্রাইয়েল পাংথোক্লগনি

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : উরিষাগী রৌকেলাদা জুন ২৬ তা পাংথোক্কদৌরিবা ইষ্ট ইন্দিয়া ক্লাসিক ওপন কেস প্রাইজ বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ দা শরুক য়ানবগী মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং খনবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা জুন ৫ গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাংথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী ও প্রেমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা নুমিৎ অসিদা মতম চানা লাক্কবসু খঙহল্লক্লি।

জুনিয়র গার্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাংথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা জুনিয়র গার্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম জুন ৬ ফাওবা ওইগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এল রজিৎ রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

ইং ১৯৮৮ গী জনুৱারি ১ অমদি ইং ২০০১ গী দিসেম্বর ৩১ গী মরক্তা পোকপা শান্নরোইশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

কাবদি টুর্নামেন্ট

এস এন এস ইম্ফাল, মে ৩১ : লৌরেম্বম য়ুঠ য়ুনিক ক্লব নাম্বোল লৌরেম্বম্না শীন্দুনা জুন ১৫ দগী ২০ ফাওবা ২৯ শুবা সব–জুনিয়র, ৩৪ শুবা সেনিয়র অমদি ৭ শুবা ভেটরান কবাদি টুর্নামেন্ট পাংথোক্লগনি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরী কে ঐচ বিজেন সিংহ না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

শরুক য়ানিংবা ক্লব অমদি এসোসিয়েসনশিংনা অকুপ্পা মরোল ক্লব অসিদগী খঙলবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

CAMPEONES
CAMPEONES 11

য়ুরোপ লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবকী টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল লৌবা ঙম্লবা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংবু ক্লব অসিগী মীওই চা কয়ানা হরাওনা ওকখিবা।

আই লিগ সেকেন্দ দিভিজন ফাইনেল রাউন্দ
দেম্পোনা চেম্পিয়ন ওইদুনা আই লিগ শরুক য়ারগনি

2ND DIVISION LEAGUE 15-16

মারগাও, মে ৩১ : দেম্পো স্পোর্টস ক্লবনা ঙরাং নেহরু ষ্টেদিয়ম মারগাওন্দা শান্নখিবা আই লিগ সেকেন্দ দিভিজনগী মেটচতা মিনভা একাদমি এফ সি চন্দিগর গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈদুনা অমুক হন্না আই লিগতা শরুক য়ারগনি।

দেম্পো স্পোর্টস ক্লব মমাংগী আই লিগতা হন্থখিবদগী সেকেন্দ দিভিজন লিগতা শরুক য়াখিবনি।

হন্দক্কী সেকেন্দ দিভিজন অসিদা পোইন্ট ২৩ ফঙলগা মকোক ওইদুনা আই লিগতা অমুক হান্না শান্নবগী মফম অদু কনবা ঙমখিবনি। আই লিগকী মমৈ তাখিবা আইজোল এফ সি মথংগী ইদিসনদা হন্থখিবদগী আই লিগ সেকেন্দ দিভিজনদা শরুক য়ারগনি। আইজোল এফ সি গী মহুৎতা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবনা অমুক হান্না শরুক য়াগদৌরিবনি। আই লিগতা অমুক হন্না শান্নগদৌরিবা দেম্পো স্পোর্টস ক্লব আই লিগকী মমাংদা টাইটল ৫ রক লৌবা ঙমখ্রবনি।

নেহরু ষ্টেদিয়ম মারগান্দা দেম্পো স্পোর্টস ক্লব অমদি মিনরভা একাদমি এফ সি না শান্নখিবা মেটচ অদুগী গোল অহুম অদু মিলাগ্রেস, গোলসবেসনা ৮ অমদি ৩১ শুবা মিনটতা অমদি ফেলিক্স ওদিদি চিদিনা ১২ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মিনরভা একাদমি এফ সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ৮৫ শুবা মিনটতা অমন্দিপ সিংহ না চনখিবনি।

হান্নগী আই লিগকী চেম্পিয়ন ওইখিবা দেম্পো ক্লবনা মেটচ ১০ শান্নখিবদা পুন্না পোইন্ট ২৩ ফঙখি।

মেটচ অসিদা মায়থিখিবা মিনরভা এফ সি না পোইন্ট ১৮ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি।

মণিপুরগী নেরোকা এফ সি না পোইন্ট ১৭ ফঙলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি।

দেম্পো স্পোর্টস ক্লব অমদি মিনরভা একাদমি এফ সি না শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবনা গোল ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফকী মেটচ লোইগদবা মিনট ৫ খক্তা ঙাইরবা মতমদা মেটচকীনা ৮৫ শুবা মিনটতা গোল অমা হন্দোক্তুনা চাওনা মায়থিরমগদবদগী ৩–১ দা মায়থিখিবনি।

দেম্পো স্পোর্টস ক্লপকী গোল অনী চনখিবা মিলাগ্রেস গোলসালবেস অমদি গোল অমা চনখিবা ফেলিক্স ওদিলি চিদিনা য়াম্না স্পিপট লৈনা অমদি অন্দসটেন্দিং লৈনা শান্নদুনা মিনরভা একাদমি এফ সি গী দিফেন্দরশিংদা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নখিবদগী আই লিগতা অমুক হন্না শান্নবগী মফম কন্না ঙমখিবনি।

এৱে মেটচ ওইনা শান্নবা লাকখিবা মিনভরবা একাদমি এফ সি গী অমন্দিপ্না চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দেম্পো স্পোর্টস ক্লবকী দিফেন্দর চিকাৱালিদগী থকতোরকপা বোলদা কাওশিন্দুনা গোল কিপর কাতিমানিনা চেকশিন্না ফাবা ঙমহৌদবদগী গোল অদু চনখিবনি।



Results and fixtures for group A

26/03/2016 14:00	Gangtok Himalayan SC	0 - 1	Dempo Sports Club
27/03/2016 15:15	Mohammedan Sporting	1 - 0	LoneStar Kashmir FC
29/03/2016 14:00	Neroca FC	0 - 0	Minerva Academy FC
01/04/2016 14:00	Gangtok Himalayan SC	1 - 1	LoneStar Kashmir FC
02/04/2016 14:00	Neroca FC	2 - 0	Dempo Sports Club
03/04/2016 15:00	Mohammedan Sporting	1 - 2	Minerva Academy FC
06/04/2016 14:00	Neroca FC	2 - 1	LoneStar Kashmir FC
07/04/2016 14:00	Gangtok Himalayan SC	0 - 0	Minerva Academy FC
07/04/2016 15:00	Mohammedan Sporting	0 - 0	Dempo Sports Club
13/04/2016 16:00	Minerva Academy FC	0 - 1	Dempo Sports Club
16/04/2016 14:00	Gangtok Himalayan SC	1 - 1	Neroca FC
18/04/2016 16:00	LoneStar Kashmir FC	0 - 1	Dempo Sports Club
23/04/2016 15:00	Mohammedan Sporting	3 - 1	Gangtok Himalayan SC
23/04/2016 16:00	Dempo Sports Club	3 - 0	Neroca FC
24/04/2016 16:00	Minerva Academy FC	2 - 1	LoneStar Kashmir FC
29/04/2016 15:00	Mohammedan Sporting	2 - 0	Neroca FC
29/04/2016 16:00	Minerva Academy FC	2 - 0	Gangtok Himalayan SC
05/05/2016 16:00	Minerva Academy FC	1 - 1	Mohammedan Sporting
05/05/2016 16:00	Dempo Sports Club	3 - 0	Gangtok Himalayan SC
08/05/2016 16:00	LoneStar Kashmir FC	0 - 1	Mohammedan Sporting
10/05/2016 16:00	LoneStar Kashmir FC	2 - 3	Minerva Academy FC
11/05/2016 16:00	Dempo Sports Club	0 - 0	Mohammedan Sporting
13/05/2016 14:00	Neroca FC	1 - 0	Gangtok Himalayan SC
16/05/2016 16:00	Dempo Sports Club	4 - 1	LoneStar Kashmir FC
19/05/2016 14:00	Gangtok Himalayan SC	2 - 1	Mohammedan Sporting
19/05/2016 16:00	Minerva Academy FC	3 - 2	Neroca FC
23/05/2016 16:00	LoneStar Kashmir FC	1 - 3	Neroca FC
28/05/2016 16:00	LoneStar Kashmir FC	3 - 2	Gangtok Himalayan SC
29/05/2016 14:00	Neroca FC	2 - 0	Mohammedan Sporting
29/05/2016 16:00	Dempo Sports Club	3 - 1	Minerva Academy FC

Final Round A

RA	Team	Pts	Pld	W	D	L	GF	GA	GD
1	Dempo Sports Club	23	10	7	2	1	16	4	12
2	Minerva Academy FC	18	10	5	3	2	14	11	3
3	Neroca FC	17	10	5	2	3	13	11	2
4	Mohammedan Sporting *	12	10	4	3	3	10	8	2
5	Gangtok Himalayan SC	6	10	1	3	6	7	16	-9
6	LoneStar Kashmir FC	4	10	1	1	8	10	20	-10

* N.B.- 3 points are deducted from Mohammedan SC as per the decision taken by the FIFA Disciplinary Committee